থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মীওইবগী হোৎনবা অমসুং লাইবক (লক)

ঐখোয়গী লোন (ইমালোন) অসি লায়রবা লোন নত্তে, ইনাক খুনবা লোন অমনি হায়বসি প্রমান তৌদুনা উৎনবা খুৎ'তম, চাংদম (খুদম, চাংদম) কয়া লৈরবসু, হায়নীংবা কয়া হায়বদা পুক্লিংনা পাল্লিবদু য়ৌদবা লোন কয়া অমসু লৈ। ... 'লায়রবী ঈরোন্নি/ খঙদবনা হায়বনি/মৈতৈ করি লাকখিনি'.. কবি চাউবনা হায়রম্বা ওইর'মাল্লে। কুইরবগী তুংসিদা ঙসি খল্লকই - ঐখোয়গী লোনগী লনগৈ সিদা হাপচিনফম থোকপা কয়া হাপচিনহৌদবা, মীরোলনা ঈরোন ওইনা শীজিন্নবা (লোনয়ান্নি হায়দুনা) থিংখিবা, অনৌবা লোনশেমসু পুথোকহৌদবনচিংবা মরম কয়াদগী লম খরদদি ফোঙনিংবদু ফোঙ'ঙমদবগী অৱাবসি মায়োক্লরিবনি। ইংলিস হায়বা লোন সিনা ফোঙদোকঙমদবা (ফোঙদোকপা ৱাবা) ৱাহৈ কয়া অতোপ্পা লোন্দগী লৌশিন্দবা লৈতে, মীতৈ লোন্দগী ফাওবা লৌশিনখ্রে। 'নৈরে'/'নৈরেহে' হায়বা ঈরোনসি, ইংলিস লোনগী মনুং চনখ্রবনি।



'লাইবক' হায়বা মীতৈ লোনসিগা চপ চানবা ইংলিস লোন -ফেৎ/ ফোর্চুন/লক/দেস্তিনি - করম্বনা ওইগদগে ? খনফম খঙদে। ঙসিগী ৱারেংসিদা ইগে খঞ্জরুবা হীরমসি 'লক' হায়বা ইংরাজি ৱাহৈসিনা পীরিবা ৱাহন্থোক'সিগী মরমদনি - লাইবক লৈবা/লৈতবা। ফেৎ/ ফোর্চুন/দেস্তিনি'না পীরিবা - মরাইবক্তা তম্বা নৎত্রগা তমদবা হায়বদুগী সেন্স'তা নত্তে।

করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা নৎত্রগা চাংয়েং অমা পাঙথোকপদা মায় পাকপা/পাক্তবা - 'লক'কী মখা পোনবরা ? নৎত্রগা, থবক্তুদা হৈ-শিংবা নৎত্রগা হোৎনজমলগী মখা পোনবরা ? তৌরুবা থবক খুদিং মায় পাক্তুনা হোৎনজমল মহৈ য়ানখিবা কনাগুম্বা অমগী মরমদা হায়নবা, তাবীরল্লগনি অদোমসু - 'মদাও য়াদুনা তৌরিবনি' নৎত্রগা 'মরাইবক ফদুনা তৌরিবনি'। তাতা/বিরলাগী ৱারীদুনা মমাংঙৈগী ওইখ্রবসু, ঙসিগী তাইবংসিদা ইন্দিয়াবু মখুবাম্লুংদা পায়বগুম পায়রিবা 'অম্বানি'গী ইমুং-মনুং, মরাইবক্তুদা তমদুনা সনা খাঙেন-খাঙেন, লুপা খাউজাও খাউজাও লক্ষ্মি দেবী'না, ধিরুভাই অম্বানিগী লম্বীদুদা হেক্তা থাদদুনা থল্লম্বা জাৎলা ! পুনেগী খুঙ্গং অমদগী বোম্বে তম্না লাক্তুনা হিংনবগীদমক লাম্থেংনখিবা, ফি-য়োনবা মহাজনশিংদগী ফি মখল কয়া, মমল পীদনা (শোক্তুনা) লৌরগা বোম্বেগী চিদাইদা লৈরিবা য়ুমশিংদা চৎ-চত্তুনা য়োল্লুরগা অয়ুক্তা মমলদু পীথোক্লল্লগা অমুক শোক্তুনা পোৎ য়োল্লুবগী মতম; নুপীগী অউন-লৌ মচেৎ অমা য়োম্থোক্তুনা অতোপ্পা লৌফম অমদা লং-শুংফম ফেক্তরি লিংখৎখিবই ৱারী; কাইনথংদা রিলাইন্স টেক্সটাইল মিল লিংখত্তুনা 'বোম্বে দাইং'গা মুক্লুদুনা মার্কেৎ কেপিটেলাইজেসনগী তৌনরকখিবা কম্পিটিসন; মচানুপা অনী (মুকেস অমসুং অনিল)বু বিজিনেজ এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ মেনেজমেন্ট ট্রেনিংগীদমক অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহনখিবই ৱারীদু কনানসু নৈনদে।

অদুবু, ৱারীশিংসি নৈনবা কনাগুম্বা অমনদি হায়রক্কনি ... 'মায় পাকপা হায়বসি চাদা ৯৯ হোৎনজমল ওইরগা, চাদা অমনা 'লক' (মরাইবক)কী মখা পোল্লি ... 'অদুবু, হোৎনবা তনবা, কতন-লাই চুবা কনাগুম্বা অমদদি 'লাইবক'না কৈদৌঙৈদসু থৌজানবীরোই'...। হোৎনবা কনবা অমসুং লেপ্পুবা কনাগুম্বা অমগী থোঙজিন্দা নোংমদি শোয়দনা 'ওপ্পোর্চুনিতি' (খুদোংচাবা)না থোঙ থীল্লরগনি। 'চান্স নেভর কমস ত্বাইস' (খুদোংচাবা হায়বসি অনীরক হন্না লাক্তে) হায়নবদুগী অতোপ্পা ৱাহায় অমা লৈ ... 'লেপ্তুনা হোৎনদুনা খুদোংচাবা অমা ঙাইরিবা কনাগুম্বা অমগী মফমদা তাঞ্জা অমা পীরক্কনি, তাঞ্জা অদু মতাং চানা লৌহৌদ্রবা করিগুম্বা, অদুগুম্বা তাঞ্জাদু অমুক হন্না ফংবা অৱাবগী মশক্লি'...। অসিগুম্বা তানফমসি অয়াম্বনা, মীপুম খুদিং থোকপনা অতোপ্পা ৱাহায় অমসু শেল্লম্মি.. 'খুদোংচাবা (ওপ্পোর্চুনিতি) অমনা থোঙজিন্দা থীল্লরবা মতমদা ঐখোয় অয়াম্বনা তুমদুনা লৈরিঙৈ নৎত্রগা মপান্দা কোয়থোকপা চৎলুরিঙৈ মতমদা হেক হেক থোকই'...। বিজিনেস নৎত্রগা, কান্নবা শিনফম অমদা কনাগুম্বা অমনা মায় পাকপগী কৈরাক্তা পন্দোল লোম্না কাখিবা, মহাক্কী 'এচিবমেন্ত' অদুতনি, মীয়ামসিনা উগদবা, মহাক্না কৈরাক্তু কাননবা হোৎনবদা থেংনরকখিবা খুদোংচাদবশিংদুদি কনানসু শোন্নবীরোই। 'ন্যু য়োর্ক' সহরগী লম্বীগী চিদাইদা পাখন অমা খল্লগা, খুদক্তা হৌবা/শেন্বা অচাপোৎ (ফাষ্ট ফুদ) য়োল্লম্বা নুপা অমনা, অতোপ্পা অচাপোৎশিংগা মান্নদবা তোপ-তোপ্পা মহাও পীননবা হোৎনখি। অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং, ওফিসশিংদা থবক শুবা ৱার্করশিংতনা পাম্না চানরম্বদগী অতোপ্পা কয়ানসু পাম্নরকপদগী 'রেষ্টুরেন্ট' ওইনা হাংদোরকখি। কষ্টমরশিংগী দিমান্দ পীবা ঙল্লকখিদে। কাইনথংদা মহাক্না পাম্বে অমা পুথোক্লে-মহাক্কী রেষ্টুরেন্টতুগা মমিং মান্নবা অতোপ্পা রেষ্টুরেন্ট কয়া, থোং-থাকপা-শেম-শাবগী মহাক্কী তোপতোপ্পা মওংদুগা চপ মান্ননা শেম-শাহনবা, ফংলিবা শেন্দোং অদুদগী চাদ 'অম'খক মাগী শরুক ওইনা খাইবিবা। থৌরাং অদু মায় পাকখি। অমেরিকা, য়ুরোপ, এসিয়াগী লৈপাক শীনবা থুংনা শন্দোরকখি। মশিং খঙদ্রবা 'ফ্রেন্সাইসি-রেষ্টুরেন্ট'শিংদগী কারপা ৱান পরসেন্ত ইনকমদুনা মহাক মালেমগী ইনাক খুনবা মী অমা ওইহল্লকখি। মহাক, কনা নত্তে, মেক দোনাল্ডস রেষ্টুরেন্টকী ফাউন্দর 'রে ক্রোক'নি। নোংমা অমেরিকান ন্যুজ চেন্নেল অমনা ইন্টরবিয়ু লৌবদা হায়রুই, 'সার ! অদোম, ঙসিদি মালেমগী খ্বাইদগী মরাইবক ফবা নুপা হায়বদু ওইরেনে, অহিং অমদা মায় পাকপগী কৈরাক পন্দোল লোম্না কাবা ঙল্লে'। 'রে'না ঈংনা খুন্নকখি, 'তাকপিরিবদু অচুম্বনি। অদুবু অদোম্নদি খঙদে, ঐনা অমম্বা অহিং কয়া তুমদনা সু-নোমদুনা ঙসিগী অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি ঙাইরকখিবা'...।


লৌশিং পুক্কে

# হেপাটাইটিস সী: মীওই অমদগী অমদা করম্না শন্দোকপগে-১

হেপাটাইটিস সী ভাইরস অসি ব্লদ-বোর্ন ওই, হায়বদি ভাইরস অসি অনাবা মীওই অদুগী ঈদা য়াওই হায়বনি। ভাইরস অসি য়াওরবা ঈ শোক্ল-শম্নরুবদগী ভাইরস অসি হকচাংদা চঙলকই।

হেপাটাইটিসকী মরুওইবা মখল মঙা হায়বদি হেপাটাইটিস এ, বি, সী, দি অমদি ঈ, মখোয় লোইনমক অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা শন্দোকই। হেপাটাইটিস হায়বা ৱাহৈ অসিনা লিভরগী ইনফ্লেমেসনবু খঙনৈ। হেপাটাইটিস সী লায়না অসি হেপাটাইটিস সী ভাইরসনা থোকহল্লি।

হেপাটাইটিস সী অসি এক্যুট (মতম খরদং নাবা) নৎত্রগা ক্রোনিক (মতম কুইনা নারগা লৈবা) ওইবা য়াই। লায়না অসি ঙন্না লায়েংহৌরগদি অনৌবা লায়েং মখলশিংনা মপুঙ ফানা ফহনবা ঙমদুনা লিভরবু মাঙ তাকহনগদবদগী কনবা ঙমই।




হেপাটাইটিস ভাইরসশিংগী মরুওইবা মখল মরী লৈ, মখোয় লোইনমক তোঙান তোঙানবা মওংদা শন্দোকই। মখোয়শিং অদুদি:

হেপাটাইটিস এ, ভাইরস অসি য়াওরবা অমাংবদা শোক্লা শম্নরুবদগী নৎত্রগা মহীক য়াওবা ঈশিং থক্লুবদগী শন্দোকই।

হেপাটাইটিস বি, ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌরবা ঈ, সিমেন নৎত্রগা হকচাংগী অতোপ্পা ফ্লুইদশিংগা কন্টেক্ট তৌরুবদগী শন্দোকই।

হেপাটাইটিস সী, ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌরবা ঈগা কন্তেক্ট তৌরুবদগী শন্দোকই।

হেপাটাইটিস দি, ইনফেক্ট তৌরবা ঈ নৎত্রগা অতোপ্পা হকচাংগী ফ্লুইদশিংগা কন্তেক্ট তৌরুবদগী শন্দোকই।

হেপাটাইটিস ঈ, কন্টামিনেট তৌরবা ঈশিং নৎত্রগা চীঞ্জাক চাবদা শন্দোকই।

হেপাটাইটিস সী নত্তবা অতোপ্পা হেপাটাইটিসশিংদি ভেক্সিন কাপথোক্লগা ঙাকথোকপা ঙম্মী। হেপাটাইটিস সী নাহন্দনবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈদি মহীক য়াওরবা ঈগা কন্তেক্ট তৌদবা হায়বসিনা ওইরি।

হেপাটাইটিস সী ভাইরস অসি ব্লদ-বোর্ন ওই, হায়বদি ভাইরস অসি অনাবা মীওই অদুগী ঈদা য়াওই হায়বনি। ভাইরস অসি য়াওরবা ঈ শোক্ল-শম্নরুবদগী ভাইরস অসি হকচাংদা চঙলকই।

হৌজিক্কী মতম অসিদা অনৌবা থেংনবা হেপাটাইটিস সীগী কেস অয়াম্বা দ্রগ কাপ্পদগী ওইরকপনি হায়রি। মহীক অসি পল্লবা য়েতুম শিরিঞ্জ নৎত্রগা দ্রগ পূন্না কাপমিন্নবদগী মহীক অসি শন্দোকপা ঙম্মী।

হেপাটাইটিস সী ভাইরস অসি হাৎনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱায়, অমদি মীওইবগী মীৎনা উবা ঙমদবা ঈগী য়াম্না কূপ্পা ঈরিকতফাওবা ভাইরস অসি য়াওবা ঙম্মী।

অনা লায়েংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা, শোয়বদগী সিরিঞ্জনা থেংনখিবগুম্বদসু ভাইরস অসিনা চঙলকপা ঙম্মী।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী মতুংইন্না হেপাটাইটিস সী শন্দোকপগী খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা মওংশিংদি:

– ইঞ্জেক্টেবল দ্রগশিং শীজিন্নবা

– কুমজা ১৯৯২গী মমাঙ, হায়বদি রেগ্যুলর ব্লদ স্ক্রিন তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন তৌবা নৎত্রগা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা

– শোয়বদগী হান্না শীজিন্নরুরবা সিরিঞ্জনা থিনখিবা, মসি অনা লায়েংগী লমদা লৈবা মীওইশিংদা থেংনগল্লি

– হেপাটাইটিস সী নাবা মমানা পোকপা মচাদা অসিনচিংবশিংনি।

হেপাটাইটিস সী অসি মখাদা পীরিবা, কয়া তোয়নদি থোক্কন্দবা মওংশিং অসিদসু শন্দোকপা য়াই:

– প্রোটেক্সন শীজিন্নদনা য়ূম্বান মরী থম্নরুবা, মরুওইনা ঈ থোকপনচিংবা য়াওবদা

– ঈ পকপা য়াবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা টুথব্রস নৎত্রগা কোই ফান্নবা রেজোরগুম্বা পোৎলমশিং মীওই অমগা মীওই অমগা পূনবা

-- মফম-মরাং খঙদবা মফমদা টেটু হকপা নৎত্রগা হকচাংদা হূৎপা অসিনচিংবশিংনি।

হেপাটাইটিস অসি অয়াম্বা মতমদা লাইওং উৎকন্দে। মসিনা তাকপদি মীওই অমদা মশা খঙজদনা হেপাটাইটিস সী নারম্বা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা লায়না অসি মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপদা হেন্না লায়না থোকহল্লি।

মরম অসি লৈবনা হেপাটাইটিস সী কন্টেক্ট তৌরম্বা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদি ভাইরস অসিদগী মথৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে খঙবা য়াম্না মরু ওই। হেপাটাইটিস সী ভাইরসনা হকচাংদা চঙলকপগী খ্বাইদগী কমন ওইবা মওং অসি দ্রগ কাপ্পা অসিনা ওইরি। মরম অসিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী অফবা পাম্বৈদি দ্রগ কাপ্পগী থৌওং অসি তৌদবা হায়বসিনি।

দ্রগ কাপ্পগী হৈনবী অসি লায়েং চথুদুনা লেপহনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী। করিগুম্বা মীওই অমনা দ্রগ কাপ্পা লেপ্পবা হোৎনবদা ঙমদ্রগদি মহাক্না শীজিন্নরিবা য়েতুম সিরিঞ্জ অমদি অতৈ পোৎলমশিং অতোপ্পা মীওইশিংগা পূন্দবা, লূবা নানবা, ইনভাইরনমেন্ট হাইজিনিক ওইহনবা, অমদি দ্রগ কাপ্পদা শীজিন্নরিবা সিরিঞ্জ য়াওনা পোৎলম খুদিংমক হান্না শীজিন্নখিদ্রিবা অহনবা ওইনা শীজিন্নবনা হেপাটাইটিস সী নাহনবগী রিস্ক হন্থহনবা ঙমগনি।

হেল্থকেয়র ৱার্কর অমদি কেয়রটেক্করনচিংবা মহীক য়াওরবা ঈ শোক্লু-থেংলুবগী ওইথোকপা য়াবা লৈবা মীওইশিংনা চিংনবা পোৎলমশিং নৎত্রগা ঈদা কন্তেক্ট তৌরুরগদি সাপোন শীজিন্নদুনা খূৎ শেংনা হামদোক্কদবনি। মখোয়না অতোপ্পা মীওইশিংগী ঈ নৎত্রগা অশোকপা পায়বদা গ্লোভ উপকদবনি।

কনাগুম্বা মীওইশিংনা টেটু হকপনচিংবা মতমদসু খুদোংথীবা হন্থনবগীদমক শীজিন্নরিবা খূৎলাইশিং অদু অহনবা, ষ্টিরাইল তৌরবা য়েটুম অমদি হান্না মখূম হাংদ্রিবা মূক ওইহনগদবনি।

য়ূম্বান মরী থম্নবদ হেপাটাইটিস সী শন্দোকপগী চাংদি নেম্মী। কোন্দোমনচিংবা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং শীজিন্নবনা সেক্স্যুএল্লি ট্রান্সমিটেদ ইনফেক্সন অয়াম্বগী রিস্ক হন্থহল্লি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**দেনি মাইবম, নম্বোল**

ষ্টেট অসিদা হান্নদি শুপ্পগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবা মীওইশিং খক্তদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা অদু ঙসি মপান লমদা চৎলুদবা মীওই কয়া অমসু পোজিটিভ ওইবা য়াওনরকপা মরমনা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী ফীভম য়াম্না লুবা তানফম অমদা লাক্লে। লোকেলগী থাক্তা মতৌ করম্না লায়না অসি শন্দোরকখিবনো হায়বদু অমুক্তং মূন্না খন্থবিরগা ইরৈচা পূন্নমক্না থম্মোয় শেংনা থৌদাং লৌমিন্নদুনা তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিবু লমদম অসিদগী মুথৎনবা হোৎনমিন্নসি। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমখিবদগী লম্বী-সোরোক্তা থোকপা য়াদ্রে হায়দুনা লৈকায়-লৈকায়দা মীওই কয়া পুনশিল্লগা জ্বার, লুদো শানবা অসিনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থম্বগী ৱাহন্থোক লৈহনদ্রে। মরম লৈতনা লৈবাক মীয়াম্না ৱাখল খন্থবিদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক মরম চাদনা য়ূমদগী মপান থোকপগী থবক তৌগুমসি। ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসননা শেল্লিবা অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেটকী ওইনা থল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং ৱারবসু ৱানা ঙাক্লা চৎসি। ষ্টেট অসি হান্নগুম কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস লৈতবা গ্রিন জোন ওইরম্বা ইরমদমগুম্না অমুক্তং লৈনবা হোৎনমিন্নসি। নৎত্রবদি মতম শাংনা পূন্নমক ৱামিন্নবা তারে।



**মোইরাংথেম ওংবী বিনা, থৌবাল নিংঙোম্থম**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হীরম খুদিংদা পূন্নমক ফেল ওইরে। অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা লাইয়েংবীদদুনা শিবসু য়াওরে। পূন্নমক অসি অদুমক য়েংদুনা লৈরগদরা? অৱাবা অমগী মথক্তা অৱাবা অমা ননশিল্লক্তুনা পূন্না শিমিন্নরগদরা হায়না মীপাইবা অমসু ফাওজিল্লক্লে। মীচম মীয়াম্না অসুক ৱানা লৈরিবা তানফম অসিদা নুপীমচাশিংগী মথক্তা রেপ চৎথবসু লেপত্রি। অদুগা মণিপুরদা নোংমা কাংদনা ফাগৎলিবা দ্রগশিং অসিনা কদাইদা থম্বিরিবনো? ফারগা-ফারগা হেন্না পুশিল্লক্লিবা অসিনা লৈঙাক্লা দ্রগকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং পূন্নমক কান্নফম খংদ্রবরা হায়না খল্লি। দ্রগকী অচৌবা ইস্যুশিংদা লৈঙাক্লোই খরদি হেক্তা চেন্নরম্মী। মসিনা করিগীনো হায়না মীচম অমা ওইনা নুংঙাইতবা অমদি হংনিংবা ফাওই। মণিপুরগী লৈঙাক্লোইশিংনসু লৈঙাক কায়দনবা হোৎনরিঙৈদা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা য়েংশিনবা শংদ্রে। মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোরক্লুবদি মীয়ামগী অপাম্বা খর তৌবিফম থোক্তবরা? মীয়াম্না পাম্লিবা অসি চিনগা খুৎকা মান্নবা অদুনি। মীয়াম তশেংনা হীংবদা ৱারে মরম অদুনা অচুম্বা অশেংবা থবক খরসু তৌহনজনিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ থেংননবা মীয়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা ময়াং লাংজিংগী অকোয়বদা এন্টি সোসল ওইবা থবকশিং চথুরিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীনবা ময়াং লাংজিং য়ুঠস লাইব্রেরি ক্লব অমদি ময়াং লাংজিং নুপী শেমগৎ-শাগৎ লূপনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

ময়াং লাংজিং য়ুঠস লাইব্রেরি ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ময়াং লাংজিংগী অকোয়বদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎননবা লাউদুনা লাক্লিঙৈ চৈরক অসিদা এন্টি সোসল ওইবা মীওই খরনা মশাগীদমক খল্লগা য়ু য়োনবা, মাস্ক উপ্তুবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবগী থৌওং কয়া চথুরি। থৌওং অসিনা খুল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চমজরবা মীয়ামদা মিপাইবা কয়া হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মখাদা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা তুং কোয়বা সোল্যুসন অমা পুরক্লবগীদমক মফম অসিদা আউটপোষ্ট অমা থম্বীনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## আই এল পি পীবা লেপকদবনি হায়না তোঙান-তোঙানবা ক্লব মঙানা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): আই এল পি পীবা লেপকদবনি হায়না য়ুনাইটেদ সোসল দিভলপমেন্ট এন্দ এদ্যুকেসনেল ওর্গনাইজেসন খাঙবোক্কী সেক্রেটরি এম দেবান, ওল খাঙবোক লেবর'স ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল এন বিশ্বরজিৎ, ইরাবত নীংশিং থৌরম কম্মিটি খাঙবোক্কী প্রসিদেন্ট এল জয়, সোসল অপলিফমেন্ট কম্মিটি খাঙবোক্কী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি টি ঐচ রাজেন অমসুং দি খাঙবোক এরিয়া বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱর্করস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি বি কে মঙাংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম পূম্বদা লাইচৎ ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মসিবু লাকশিনবগী শরুক অমা ওইনা মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংদা পীরম্বা আই এল পি পাস অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৮দগী থিংজিন্দুনা লাকখি। লাইবক থিবদি, মণিপুরদসু মপান লমগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লোকল ট্রান্সমিসনগী থাক লান্না শন্দোরক্লি। অসুক লুরবা তানফম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) ঐচ জ্ঞান প্রকাশনা থোকপা অনৌবা ওর্দর অমদা চহী অসিগী জুলাই ২১ দগী আই এল পি পাস পীবা হৌরগনি হায়বা ৱাফম অসি মণিপুর মীয়ামগী য়াম্নমক লাইবক থিবা অমনি।

মসিদা মীয়াম্না লৈঙাক্তা হংনিংলিবা ৱাফমদি, কয়া য়াম্না তঙাইফদবা লৈবদগী মপান লমগী মীওইশিং অসি চঙহন্নিংলিবনো? রেদ জোন লাকপা য়াওরক্লোই তম্বা ঙম্বা নত্তে। মসিনা ঐখোয়গী মীয়ামদা হেন্না মিপাইবা পোকহনগনি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদ্রিফাও আই এল পি পাস পীবা লেপকদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'মীমান্নদ্রবা মীওই অমদা হুরানবগী মরাল পীশিল্লগা ফূরকখিবা য়ানিংদে'

থৌবাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): য়াইরিপোক সিঙ্গা মথক লৈকাইদগী মীমান্নদ্রবা এম দি দিলাৱর এলিয়স দিল্লির (২৮) অপোকপা এম দি অব্দুল রসিদ য়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্ত্রে হায়না পুলিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা লৈকাই মীয়াম্না থিনদুনা লাকখিববু উচেকোনদা হুরানবগী মরাল পীশিল্লগা তমথিনা ওৎ-নৈরকখিববু লৈকাই মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

লৈকাই মীয়াম্না ফোঙদোরকপদা, মীমান্নদ্রবা মীয়ামগা লোনদিন্নদ্রবা দিলাৱর ঙরাং অয়ূক পুং ৭ রোম তারকপদগী য়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্তুবদগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীবগা লোয়ননা মাইক শীজিন্নদুনা মহাকপু থিরকখিবনি। মহাক অসি মীয়ামগা লোনদিন্নদ্রবা মীওই অমনি হায়বগী শকখঙ চেসু লৈঙাক্লা পীরবা মীওই অমনি। লোয়ননা মহাক্কী মশক অসি উবগা মীমান্নদবা মীনি হায়বা অসি খঙবা ফীভম অমদা লৈরবা অমদি মীনা ৱাহং হংলবসু মহাকসু চপ মান্নবা ৱাহং অদুম্মক খুন্বা মীওই অমনি। অসিগুম্বা মীওই অসিনা লম্বী লম্মাংনদুনা মীগী য়ূমদা লেপ্পুবগীদমক্তা মীওইবগী মীনুংশি য়াওদনা তমথিনা ওৎ-নৈরবা মতুংদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা হুরানবনি হায়না ঙরাং নুমিদাং শিন্নরকখিবা হায়বসি য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। মহাক্কী মায়, খোঙ অমদি হকচাংগী মফম কয়াদা য়াম্না থিনা শোকপদগী য়াইরিপোক সী ঐচ সীদা লায়কন্নখি হায়রি।

## লোকদাউন মনুংদা আই এল পি পীরগা মীতোপ চঙহনবীগনু : দব্লিয়ু এস সী

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লক্লিবা অসিদা রেদ জোন ওইবা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী মীতোপ মীয়ানচা কয়াবু ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) পীরগা মণিপুরদা চঙহনবীগনু। মীতোপ চঙহল্লকপা খূদক্তা লেপহল্লু হায়না ৱেষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লব (দব্লিয়ু এস সী)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দব্লিয়ু এস সীগী সেক্রেটরি খাইদেম ইঙোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, গ্রীন জোন ওইনা লাউথোক্লুরবা মতুংদা মপান্দগী অমদি মেনলেন্দ ওইরিবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী হল্লকখিবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওখ্রে। লোয়ননা চেকশিনহৌদবা কয়াদগী হৌজিক লায়না অসি মথং-মথং শন্দোরক্লে। লোকদাউনসু চথুরি, মখা তানসু চথুরকপগী মওং উরি। হীরম কয়াদা ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রবা মতম অসিদা মীতোপ কয়া আই এল পি পীদুনা পুশিল্লকখিবতা নৎতনা নারোন্দা মীতোপ কয়াসু চঙহল্লকপগী থৌওং য়ানিংদে। ঙাইরাংবম খুলদা মীতোপ অমত্তা চঙবীরক্তনবসু খঙহঞ্জরি। লোয়ননা ঙাইরাংবমদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লাম্থেংননবা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎমিন্ননবসু আপিল তৌরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'অকিবা লৈরে'

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন ফাওদুনা চেল্লিবা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান অসি ঈশিং ঈচাউ খুদিংদা নীংখায়দুনা য়ূম, ইস্কোল কয়া মাঙ তাকহনবগী মরম ওইহল্লি। মরম অসিনা অৱাং পোৎশংবমগী শরুক্তা লৈরিবা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান অসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংনা রিংবন্দনচিংবা শেম্বীদুনা য়ূম-কৈ কয়া তুরেল অসিদা চেম্থখিগদবদগী কন্ননবা হোৎনবীয়ু। তুরেল তোর্বানগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মনাক নকপদা লৈবা য়ূম ১০/২০ হেন্না অৱাবা পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না আর কে মিসনগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## গোদাংমৈ মকুচুং কবুইনা লৈখিদবদা এম এন এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): মীতৈ নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কংলৈপাকনা হৌদোরকপদা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বতা নৎতনা হৌজিক্লা লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা গোদাংমৈ মকুচুং কবুইনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা থৌপুমদা লৈবা মশাগী শঙ্গাইদা লৈখিদবদা মীতৈ নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কংলৈপাকনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এম এন এফ কংলৈপাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সোইবম লৈকাই মেরি লৈরক্তা লৈবা মীতৈ নেসনল ফ্রন্টকী ময়াই লোইশঙদা ঙসি লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাঙম্বী লৈমনা ময়াই তাংবল লৌদুনা গোদাংমৈ মকুচুং কবুইনা লৈখিদবগা মরী লৈননা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈখিনবগীদমক মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনীখি।

লৈখিদ্রবা গোদাংমৈ মকুচুং কবুই (গোলমৈ মকুচুং কবুই) মশাগী চহী ৬৫ শুখ্রে। মহাক লংথবাল কবুই খুলগী খুল্লাকপা গোদাংমৈ মঙ্গোলচাও কবুই (৯৫) অমসুং গোদাংমৈ লুৱাং লৈমা (৯৪)গী মচানুপা ৪গী মনুংদা অহলনি। লৈখিদ্রবগী মচানুপা অহুম অমসুং লোয়নবী লৈহৌরি। লৈখিদ্রবা গোদাংমৈ কবুই মতম অমগী হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়টকী টর্ম অহুম্লক মেম্বর ওইরম্মী। লংথবাল থৌপুম কবুই খুলগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরম্বতা নৎতনা কবুই সমিটি মণিপুরগী জেইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরি। গোদাংমৈ মকুচুং কবুই এম এন এফকী মতম অমগী লুচিং পুরেল ওইরম্বা লৈখিদ্রবা চিংশুবম অকাবগী লিচিং মখাদা লমদম অসিগী কংলৈচা চীংমী-তম্মীগী ওইবা নাৎ অমদি লাইনীংবু চাউখৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বতা নৎতনা কংলৈপাক্কী কাঙলূপ-ফুরুপ কয়াবু লাইনীং অমসুং ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা চীং-তম নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা পুন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না মীতৈ নেসনল ফ্রন্ট হৌদোরকপগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বতা নৎতনা লূপ অসিগী হৌজিক-হৌজিক ভাইস প্রসিদেন্টকী ফমসু পুরিবনি। মতম শাংনা চীং-তম পোৎ লান্নবা অমদি মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লবা মতুংদা চিংশুবম অকাবগী লুচিং মখাদা মেরা হৌচোংবগী থৌরম হৌখিবা কুমজা ১৯৭৮দা লংথবাল থৌপুমদা পাঙথোকখি। চহী অদুমক্তদা কংলৈপাক্তা ২৪৯ শুরকপা পুয়া মৈ থাখিবগী থৌরম অহানবা ওইনা পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অচঙবা কংলৈচা অমনি। মহাক্না লমদম অসিগী চীংমী-তম্মীগী ওইবা য়েলহৌমীশিংগী উমংলাই খূভমশিং কনবা অমদি লমদম অসিগী অশেংবা লৈপাক মমিং ওনবগী খোঙজংদা ঙসি ফাওবা থৌনা হন্দনা হোৎনরম্বা লুচিংবা অমনি। লুচিংবা অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিমক কংলৈপাক্কী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০৭।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা; থৱানগী ১০ নি পানবা।

**মেষ :** নচাক নরল চাওখৎপা, ইমুং-মনুং হরাওনা থৌ পাংবা ঙমজবা অমদি অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা নুমীৎনি। নচা-ননাইগী লম্দা পুক্লিং ৱাই অমদি হোয়া ফগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**বৃষ :** নীংবা থুংগনি, অনীংবা পাংবা ঙমগনি অমদি অফবা মফম ফংজগনি। ইমুং-মনুং লোয়নবনা নুংঙাইবা হেনবা অমদি চাদিং হন্থবা নুমীৎনি। মীগা খৎনদনবা হোৎনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিথুন :** মাই পাকচবা, লেংদবা লন ফংবৈ নুংঙাইবা অমদি য়েক্লবা লৈরল্লসু ঙমজদুনা অফবা থবক পাংবা নুমীৎনি। অফা-অপুন্নবদি লৈ অদুনা থিজিল্লু-মতম ঙাইগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**কর্কট :** পূক্লিং ফাথবা, মীৱা লৌদবা অমদি অহৈ-অশিং শাদবনা মাই পাকচগদবা নুমীৎনি। থেংলপ্পা মরুপ-মপাংগী মতেংনা কান্নবা ফংজগনি। মীয়াম্না য়ানবা চৎলু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** অঙনবদদি নীংবা থুংলোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**সিংহ :** নাইতোম ৱারেপ লৌগনু অমদি নাপল থাদোকউ। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুনা অচম্বা চাবা ফৈ। নঙগী ওইবা মীগী ৱা তাবা হান্নগুম কান্নগনি, থৌ পাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** অশাওবনা মাংহনগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**কন্যা :** মীংচৎ ফংগনি, হৈশিংবনা থবক পাংগনি অমদি ঙাংথোকপদা মীনা নুংশিবীবা লৈগনি। মীচং হেনগৎপা অমদি ৱাখল থোকপা লৈগনি। ফিংবদি য়াম্না ফত্তে।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱাখল খরদি নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**তুলা :** য়াকা য়েংনা চৎপা ফবা নুমীৎনি- অদুবু খুদোংচাবদি মাংহন্দবা ফগনি। পূক্লিং ৱাবা অমদি য়েক্লবনা পাংগনবা নুমীৎনি-অরুবা থৌ পাংদবা ফৈ। মীতোপ থাজগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃশ্চিক :** হরাওবা নুংঙাইবা, ৱাখল থোকপা অমদি নীংবদুমক পাংবা য়াবা নুমীৎনি। নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি অফবা ৱাখল্লোন পোকপা লৈ। মীতোপ্পদি তাথি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**ধনু :** মরম চাদনা ফিংবা অমদি থৌনা ফুদোকপা অপঙ তাদুনা তোক্কনি। অয়াম্বা থবক্তা হাথু-হাথুনা পাংগনু, নাইতোম অরুবা থবক্কী ৱারেপ লৌগনু, ঈংথবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর :** মাই পাক্কনি অমদি নীংবা মপা চাগনি। মরুপ-মপাং হেনগৎপা অমদি মীংচৎ হেনগৎপগুম নুংঙাইজবা নুমীৎনি। অদুম ওইনমক অফা-অপুন্নবা অমদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱাখলদি নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**কুম্বা :** থৌ পাংগনি, মীচং খোম্বা য়াগনি অমদি লেংদবা নচাক নরল চাওখৎপা নুমীৎনি। মীয়াম অমদি মরুপ-মপাংনা থোইনা তেংবাংবীগনি। হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মিন :** অনম তানবা কান্নরোই। অদুগী মহুৎতা নোল্লুক্লা চৎলু অমদি হুরানবদৈ চেকশিল্লু-য়াইফবা ওইগনি। ঙসিসু নঙগী ওইবা মীশিংনা চানবী অমদি নুংঙাইবা ফংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।